# ইন্দিয়া অমদি ফ্রান্সনা য়ানচে ১৪ সাইন তৌনখ্রে

## টেররিজম মায়োকনিন্নবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন ওসিনদা পূন্না থবক তৌমিন্নরগনি



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মানুএল মেক্রোনগী নুমিৎ মরিনিগী ইন্দিয়া খোঙচৎকা মরী লৈননা লৈবাক অনীনা হীরম কয়াদা পূন্না থবক তৌমিন্ননবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রে। লৈবাক অনীনা সিভিল ন্যুক্লিয়র কোওপরেসন, স্পেস কোওপরেন অমসুং ইন্দিয়ন রেলৱেজগী ইলেক্ট্রিক মোবিলিটি ট্রান্সফর তৌবনচিংবা হীরম ১৪ দা য়ানচে সাইন তৌনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা লোয়ননা থাদোরকখিবা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টনা হায়খি, রিজন অসিদা ফ্রান্সকী অহানবা মরুপ ওইরিবা ইন্দিয়াগা মখা তানা হীরম কয়াদা থবক তৌমিন্নবা হৌরগনি। য়ুনাইটেদ কিংদমনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা ফ্রান্সপু য়ুরোপকী গেটৱে ওইনা লৌবা হৌরকখি।

ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা মশাগী লোয়নবী বৃগিট অমসুং মকোক থোংবা ফ্রেঞ্চ ওফিসল কয়াগা লোয়ননা ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবা প্রসিদেন্ট মেক্রোনবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এয়রপোর্টতা তরাম্না ওকখি। মেক্রোননা গার্দ ওফ ওনর অমা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা রাজঘাটতা চৎতুনা মহাত্মা গান্ধীগী মীতমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। তুংদা মহাক্না ফোরেন মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজগা ঙাইহাক ৱারী শানরম্লগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উনদুনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানখি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙ-থোক্কদৌরিবা ইন্টরনেসনল সোলর এলাইন্স (আই এস এ) কী কনফরেন্সতা লূচিংবা অনীনী কো চ্যেরপর্সন ওইনা শরুক য়াগদৌরি। মেক্রোননা পাউমীশিংদা হায়খি, চাইনানা লৌখৎলকপা থবক থৌরমশিং মায়োক্লনবগীদমক ইন্দিয়া অমদি ফ্রান্সনা সিক্যুরিটিগী লমদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎমিন্নরগনি। য়ানচে ১৪ সাইন তৌনখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনীনা অমনা অমগী নেভেল বেজশিংদা লানগী জহাজ চঙবদা অথিংবা লৈররোই। মসিদসু নত্তনা ডিফেন্স, স্পেস অমদি ক্লিন এনর্জিগী মতাংদা লৈবাক অনীনা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নরগনি। নোংচুপ থংবা মহারাষ্ট্রগী জাইটাপুরদা ফ্রান্সনা মতেং পাংলগা ন্যুক্লিয়র পৱার প্রোজেক্ট অমা পায়খৎনবগী মতাংদসু নাকল অনীনা টেক্নিকেল এগ্রীমেন্ট অমা সাইন তৌনখি। মেক্রোননা অগ্রাগী টাজ মহল য়েংলবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী মিরজাপুরদা সোলর প্লান্ট অমা শঙ্গাগদৌরি।

# চহী ৫ গী মনুংদা ব্লেক বোর্দকী মহুৎতা ডিজিটেল বোর্দ শীজিন্নবা হৌরগনি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

হ্যুমেন রিছোর্স ডিভলপমেন্ট মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা হায়খ্রে মদুদি লাক্কদৌরিবা চহী মঙাগী মনুংদা গভর্নমেন্টনা ব্লেক বোর্দকী মহুৎতা ডিজিটেল বোর্দ ওইনা শীজিন্ননবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

এদ্যুকেসনদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মাঙজিল থারিবা এদ্যুকেসনেল ইনষ্টিট্যুসনশিং মনীং তৌনা থবক তৌহনবগা লোয়ননা মহৈ-মশিন তম্বগী থবক থৌরমশিং খুমাঙ চাওশিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা কুমজা ২০১৮-১৯ গী য়ুনিয়ন বজেট পুথোকখিবদা মহৈ-মশিন তম্বগী মতাংদা ডিজিটাইজেসন তৌবগা লোয়ননা ব্লেক বোর্দকী মহুৎতা ডিজিটেল বোর্দ ওইনা শীজিন্নবগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

জন্যুৱারি থাদা জাবদেকরনা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি মদুদি লৈবাক অসিগী ক্লাসরূম খূদিংমক্তা লাক্কদৌরিবা চহী মঙাদগীনা তরেৎ ফাওবগী মনুংদা ব্লেক বোর্দশিং লৌথোক্লগা ডিজিটেল বোর্দনা মহুৎ শিঞ্জিল্লগনি। সেন্ট্রেল এদভাইজরি বোর্দ ওফ এদ্যুকেসনগী ৬৫ শুবা মীফমদা ৱা ঙাঙখিবদা মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

স্কুল এদ্যুকেসনগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং থন্নগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখৎনরকখি। জাবদেকরনা হায়খি, ডিজিটেল বোর্দ শীজিন্নরবদি মহৈরোয়শিং থৱায় য়াওবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা ওজাশিংনা লাইরিক তাকপদসু হেন্না খুদোংচারগনি। মীফম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মনেকো গান্ধী, থাৱর চান্দ গেহলোট, মুখতার অবাস নকবি অমদি রাজ্যবর্ধন সিংহ রাথোরসু শরুক য়াখি।

মনেকো গান্ধীনা মহৈরোয়শিংদা কেরিয়র কাউন্সেলিংগী তঙাইফদবা ৱাফম পুখৎলদুনা হায়খি মদুদি মহৈতম্ফমলোয়শঙ খূদিংমক্তা ক্লাস নাইন তল্লিবা মহৈরোয়শিংদা কেরিয়র কাউন্সেলিং পীবগা লোয়ননা স্কুল বসশিং নুপী দ্রাইভর অমসুং হেল্পরশিংদা চলাইহনবা মথৌ তাই। চাইল্ড সেক্স্যুএল এব্যুজগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, নুপীমচা মহৈরোয়শিংদা ওজা নৎত্রগা স্কুলগী ষ্টাফনা সেক্স্যুএল এব্যুজ তৌবা ঙমহন্দনবা লৌশিং পীবা তঙাইফদে।



# হৌজিক ফাওবদা মীওই ক্রোর ১.৩৩ না নোটাদা ভোট পীরকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):*

*সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৩ দা ইন্দিয়াগী মীখল পাঙথোকপদা নন ওফ দি অবভ (নোটা) দা ভোট থাদনবগী খুদোংচাবা ফংহনখ্রবা মতুংদা মীওই ক্রোর ১.৩৩ না হৌজিক ফাওবদা নোটাদা ভোট পীরকখ্রে। কুমজা ২০১৩ গী সেপ্টেম্বর ২৭ তা এপেক্স কোর্টনা বেলোট পেপর নৎত্রগা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) দা নোটাগী কলম হাপ্নবা ইলেক্সন কম্মিসনদা য়াথং পীখি।*

*ভোটরশিংনা কনাগুম্বা মীরেপ অমত্তা পামদবা তারবদি নোটাদা ভোট পীনবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়না সুপ্রীম কোর্টনা ফোঙদোকখি। খ্বাইদগী ইহান হানবা ওইনা কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা ছটিসগর, মিজোরাম, রাজস্থান, দিল্লি অমসুং মধ্য প্রদেশকী ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা মীয়াম্না নোটাদা ভোট পীনবগী খুদোংচাবা ফংহনখি।*

*এসোসিএসন ফোর ডেমোক্রেটিক রিফোর্ম (এ ডি আর) অমসুং নেসনল ইলেক্সন ৱাটচ (এন ঈ দব্লিয়ু) না কুমজা ২০১৩ দগী হৌনা মীখলগী মওং-মতৌ য়েংশিন্দুনা লাকখি। হৌজিক ফাওবদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লিশিং অমসুং লোক সভাগী মীখলদা পূন্না মীওই ক্রোর ১.৩৩ না নোটাদা ভোট পীরকপা লৈখ্রে হায়না এ ডি আর অমসুং এন ঈ দব্লিয়ুগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। কুমজা ২০১৭ কী ডিসেম্বর ২৫ দা টামিল নাদুগী আর কে নগরদা পাঙথোকখিবা বাই ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা কারু নাগার্জুনাদগী নোটানা ভোট মশিং হেন্না ফংখি। মীখল অদুদা নাগার্জুনানা অপূনবা ভোট মশিং ১,৪১৭ ফংদুনা তরুকশুবা তাখি। অদুবু নোটানা ভোট ২,৩৭৩ ফংদুনা মঙাশুবদা লৈখি।*

*কুমজা ২০১৪ গী ওক্টোবর ২১ দা পাঙথোকখিবা হরিয়ানাগী এসেমব্লি মীখলদা অপূনবা মীওই ৫৩,০০০ না নোটাদা ভোট পীবা লৈখ্রে। দাবৱালি এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা মীওই ১,৫৪৯ না মীরেপ অমত্তা পামদে হায়বা উৎতুনা নোটাদা ভোট পীখি। হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর অনীরক ওইরম্লবা ভুপিন্দর সিংহ হুদানা মীরেপ ওইখিবা গারহি সমপ্লা-কিলোই এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদসু মীওই ৪০২ না অপাম্বা মীরেপ অমত্তা য়াওদে হায়দুনা নোটাদা ভোট পীখি।*



# ডিমোনিটাইজেসনননা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন অঙকপা ফংনা মাঙ-তাকহল্লে : রাহুল গান্ধী

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন ডি এ গভর্নমেন্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে মদুদি শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে। করিগুম্বা মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা থোক্লবদি ডিমোনিটাইজেসনগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফম থবক্তা ওন্থোক্লম্লোই হায়নসু রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৬ কী নবেম্বর ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা লীশিং চৎপী মখা তানা চৎনররোই হায়না লাউথোরকপদা মীপূম খূদিংমক অঙকপা পোকহনখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌওং অদুবু কোংগ্রেস অমদি অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা ইহান হান্না পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হায়খি মদুদি বি জে পি অমসুং রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক শঙ্ঘ (আর এস এস) না লৈবাক্কী ইনষ্টিট্যুসন পূম্নমক খুদুম চনশিন্নবা হোৎনরে। রিজর্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) নৎত্রগা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ডিমোনিটাইজেসনগী ৱাফম হৌদোরকখিবা নত্তে। আর এস এসকী মকোক থোংবা লূচিংবা খরনা লন্নাই খুদোংচাবা লৌনবগীদমক শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌরাং লৌখৎখিবনি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

অমরোমদা ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না হায়খি মদুদি গুদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) অমসুং ডিমোনিটাইজেসনননা মতম খরা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনবা তারবসু তুং কোয়না খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংহল্লক্কনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা আই এম এফকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, চহী অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী গ্রোথ রেট চাদা ৬.৭ য়ৌরকপগা লোয়ননা মথং চহীদদি চাদা ৭.৪ ফাওবা য়ৌরকপা য়াবগী ফিভম লৈ।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শেনয়েক অনী চৎনদ্রে হায়না লাউথোক্কদবা মীকুপ খরগী মমাঙদা পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী ব্রাঞ্চ অমদা লুপা ক্রোর ৯০ ডিপোজিট তৌরকখি হায়না নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী লূচিংবা অমসু ওইরিবা ক্রিমিনেল লোয়র মাজিদ মেমননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মপূং ফানা থিগৎপা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোক্কদবা মীকুপ খরগী মমাঙদা মতৌ করম্না য়াল্লবা শেনফম অমা বেঙ্কতা থমজিল্লকখিবনো হায়বদু মমুৎ তানা থিগৎতুনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মথৌ তাই।

# ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা চাইনিজ লোন তম্লকপদা চাইনিজ সিক্যুরিটি এক্সপর্টশিং নুংনাংবা পোকহল্লে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

চাইনিজ লোন তমদুনা লোন অসিবু নীংথীনা খঙবা ইন্দিয়াগী লান্মী কয়া য়াওরকপদা চাইনিজ সিক্যুরিটি এক্সপর্টশিং নুংনাংবা পোক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। পি টি আইগী রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) কী জৱান ২৫ না মধ্য প্রদেশকী রাইসেন ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সাঞ্চি য়ুনিভর্সিটি ওফ বুধিষ্ট-ইন্দিক ষ্টদিজদা চহী অমগী ওইবা চাইনিজ লোনগী সর্টিফিকেট কোর্স তমখি।

ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা চাইনিজ লোন নীংথীনা খঙলবদি য়ূম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ৱাখল তানদবগী থৌদোক থোকপগী চাং হন্থহল্লগনি হায়না ইন্দিয়ানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, চাইনাগী সিক্যুরিটি এক্সপর্টশিংনদি চাইনিজ লোন খঙবা ইন্দিয়াগী লান্মী মশিং হেনগৎলক্লবদি চাইনাদা মাঙজবা কয়ামরুম লাকপা য়াই হায়না নুংনাংবা পোক্লি।

সংহাই একাদেমি ওফ সোসল সাইন্সকী ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্টরনেসনল রিলেসন্সতা রিছর্স ফেল্লো ওইনা লৈবা হু ঝিয়োংনা হায়খি, ইন্দিয়াগী লান্মী পূম্নমক চাইনিজ লোন নীংথীনা খঙলকপা তারবদি চাইনাগী মায়োক্তা অতম্না অখন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাবা ফংলগনি। নাকল অনী মুক্লবগী থৌদোক থোরকপা মতমদা ইন্দিয়ানা চাইনাগী ঙমখৈদা লৈরিবা লমগী শরুক খরা লৌশিনখিবা ফাওবা য়াই হায়না সোং ঝোংপিং কৌবা মিলিটরি এক্সপর্ট অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্সনা হায়খ্রে মদুদি ইন্দিয়ানা চাইনা অমদি অতৈ য়ূম্লোন্নবা লৈবাক পূম্নমক্কা অফবা মরী থম্ননবা থৌরাং লৌখৎপা পাম্মী। ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা ৱাখল মান্নদবা পূম্নমক থাদোক্লবা মতম ওইরে হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং য়িনা বৈজিংদা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন রবিশ কুমারনা চাইনা অমদি অতৈ য়ূম্লোন্নবা লৈবাক পূম্নমক্কা অফবা মরী থম্নবগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# মার্চ ২৫ দা আই এম এনা মহা পঞ্চায়ট পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১০ (এজেন্সি):

নেসনল মেদিকেল কম্মিসন (এন এম সী) বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ডোক্টরশিংগী এপেক্স বোদি ওইরিবা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ) না মার্চ ২৫ দা মহা পঞ্চায়ট পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। ন্যু দিল্লিগী ইন্দিরা গান্ধী ষ্টেদিয়মদা ডোক্টরশিংনা মহা পঞ্চায়ট পাঙথোক্তুনা এন এম সী বিলগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি হায়রি।

মেদিকেল কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া (এম সী আই) গী মহুৎতা অনৌবা বোদি অমা শেম্বগী ৱাফম য়াওবা ড্রাফট বিল অসিবু আই এম এনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। আই এম এগী জেনরেল সেক্রেটরি ডো. আর এন তন্দননা হায়খি, মেদিকেল এদ্যুকেসন অমদি হেল্থ ক্যের সেক্টরদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়াবা মরম্না লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ডোক্টর খূদিংমক্না বিল অসিগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। পার্টিগী খেন্নবা ৱাখল্লোন থাদোক্লগা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর কয়ানসু বিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

বি জে পিনা লূচিংবা এন ডি এ গভর্নমেন্টনা হাউসকী মীফমদা পুথোক্লবা থৌরাং তৌরম্লবা বিল অসি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমদা থাদদুনা য়েংশিলহনবা লৈখ্রবনি। আই এম এগী নেসনল প্রসিদেন্ট ডো. রবি ৱানখেদকারনা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা ডোক্টরশিংনা মহা পঞ্চায়টতা শরুক য়ানবগীদমক ন্যু দিল্লি মায়কৈ পাংলক্লগনি। মার্চ ২৫ দা পাঙথোক্ক-দৌরিবা থৌরম অসিদা চাওরাক্না ডোক্টর ২০,০০০ রোম শরুক য়াবা য়াই হায়না থাজনরি। ডোক্টরশিংগী এপেক্স বোদি অমা ওইরিবা আই এম এগী লোকল ব্রাঞ্চ ১,৭২৫ লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরি। হায়রিবা লোকল ব্রাঞ্চশিং অদুনা শীন্দুনা বিল অসিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী খোঙচৎ চৎতুনা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা লৈখ্রে। বিল অসিনা থোকহল্লক্কদবা অমাঙ-অতাশিং মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগী পান্দমদা হয়েংসু ইন্দিয়াগী মফম পূম্নমক্তা আই এম এনা শীন্দুনা সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি।



# উত্তর প্রদেশকী অজমগরদা দলিত লূচিংবা বি আর অম্বেদকরগী মীতম মাঙ-তাকহল্লম্লে

লক্ষনৌ, মার্চ ১০ (এজেন্সি): শকখঙদবা মীওইশিংনা শক্লাইরবা লূচিংবশিংগী মীতম মাঙ-তাকহনবগী থৌওং লেপ্তুনা চথরক্লি। উত্তর প্রদেশকী অজমগরদা খিনবা দলিত ফুরুপকী লূচিংবা বি আর অম্বেদকরগী মীতম শকখঙদবা মীওই খরনা মাঙ-তাকহল্লম্লে। রিপোর্ট অমনা হায়খি, ঙসি অয়ুক অঙনবদা শকখঙদবা মীওই খরনা মীতমগী মকোক অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বা থেংনখি। থৌদোক থোকফমদা পুলিস থুংলখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌখ্রে। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মতৌ অসুম্না মীতম মাঙ-তাকহল্লম্বগী থৌদোক কয়ামরুম থোকপা লৈখ্রবনি।

ইরাই নুমিৎতা মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা খিনবা নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোসকী মীতম শকখঙদবা মীওই খরনা মাঙ-তাকহল্লম্বা থেংনখি। অঙৌবা মচুগী মীতম অদু শকখঙদবশিংনা অঙাংবা মচু শংজিল্লমখি। ত্রিপুরাদা ব্লাদিমির লেনিনগী মীতম অনী মাঙ-তাকহনখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা খিনবা মীতম কয়া শকখঙদবশিংনা মাঙ-তাকহনখি।

অগরতলাগী সাব্রুম মোটোর ষ্টেন্দদা খিনবা লেনিনগী মীতম মাঙ-তাকহনখ্রবা মতুংদা ত্রিপুরাগী বেলোনিয়া কোলেজ স্কৱারদা খিনবা লেনিনগী অতোপ্পা মীতম অমা বুল দোজর শীজিন্নরগা মাঙ-তাকহনখিবনি। কম্যুনিষ্ট লূচিংবা অসিগী মীতম মাঙ-তাকহনখ্রবা মতুংদা টামিল নাদুগী তিরুপতুরদা শকখঙদবা মীওই খরনা দ্রাভিদিয়ন লূচিংবা পেরিয়ার ঈ ভি রামাসামিগী মীতম মাঙ-তাকহনখি। মদুগী মতুং তারকপদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী যাদবপুর য়ুনিভর্সিটিদা খিনবা ভারতিয়া জন শঙ্ঘগী ফাউন্দর শ্যামা প্রসাদকী মীতম, উত্তর প্রদেশকী মিরুটতা খিনবা বি আর অম্বেদকরগী মীতম অমসুং কেরলাগী কনুর ডিষ্ট্রিক্টতা খিনবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম মাঙ-তাকহল্লম্বা থেংনখি।

উত্তর প্রদেশকী বালিয়া মনুং চন্না লৈবা খারোক খুঙ্গংদা শকখঙদবা মীওই খরনা হনুমানগী মীতম অমসু মাঙ-তাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোক্লিবা মীতম মাঙ-তাকহনবগী থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা ৱারী শানদুনা মরাল লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখি। ঙরাং অয়ুকসু শকখঙদবা মীওই খরনা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম মাঙ-তাকহল্লম্বা লৈখ্রবনি। অয়ুক পুং ৭ তাবদা কেরলাগী কনুর ডিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা টালিপরম্বাদা শকখঙদবা মীওই খরনা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম মাঙ-তাকহল্লম্বনি। শকখঙদবা মীওইশিং অদুনা লৈবাক্কী মপানি হায়নরিবা মহাত্মা গান্ধীগী অনোক থুদেক্লম্বগা লোয়ননা লৈ পরেংসু মাঙ-তাকহল্লমখি। পুলিসনা হীরম অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌখ্রবনি। টামিল নাদুগী চেন্নাই মনাক্তা লৈবা টিরুবোতিয়ুরদসু ডো. বি আর অম্বেদকরগী মীতমদা শকখঙদবা মীওই খরনা মচু কয়া তৈশিল্লম্বা লৈখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মীতম মাঙ-তাকহল্লম্বগী রিপোর্ট ফংলে। হোম মিনিষ্ট্রিনা অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোক অমুক হন্না থোকহন্দনবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

লেনিনগী মীতম মাঙ-তাকহনখি হায়বা থৌদোক্কী মতাংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লূচিংবা রাম মাধবনা হায়খি মদুদি ত্রিপুরাদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লেনিনগী মীতম মাঙ-তাকহনখিবা লৈতে। মীতম খিল্লম্বা মীওইশিংনা অতোপ্পা মফম অমদা মীতম অদু পুরগা থমখিবগী থৌদোক থোকপদি লৈখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়খি, মানা মানা পাম্বা লূচিংবশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা তারবসু অতোপ্পা মীনা ইকায়খুম্নরিবা লূচিংবগী মীতম মাঙ-তাকহনবা তৌরোইদবনি।

